## ‘পেসেঞ্জর লৌখৎপা য়ারোই’

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :
ৱাবগাই লমখায় বজারদগী হাইগৎলকপা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংনা সেকমাইজিন অমসুং ময়াং ইম্ফাল ষ্টেসন্দা পেসেঞ্জর লৌখৎপা অমসুং দ্রোপ তৌবা য়ারোই হায়না ময়াং ইম্ফাল রোদ মোটোর ট্রান্সপোর্ট কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদকী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পার্মিট পায়দবা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা গাড়ীশিংনা অন-ওথোরাইজ ওইবা মওংদা ময়াং ইম্ফাল ফাওদুনা চৎলিবশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। পেসেঞ্জর পীক-অপ তৌরিবা অসি সোসাইটি অসিগী গাড়ীগী মীওইশিংনা থেংনদুনা ফাবা থোক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক মশা-মশানা পুগদবনি। ৱাবগাই লমখায় বজারদগী হাইগৎলকপা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংনা সেকমাইজিন অমসুং ময়াং ইম্ফাল ষ্টেসন্দা পেসেঞ্জর পীক-অপ অমসুং দ্রোপ তৌবা য়ারোই হায়নসু মখা তারি।

## রিভোক তৌরে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস): কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা চহীসিগী মার্চ ১৫ দগী সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থম্লম্বা অদু রিভোক তৌরে হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কামজোংনা থা অসিগী ৮ দা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

## লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস): আর কে নোকুলসনা ইবা ৱারী মচাগী লাইরিক *পুপুগী* শুশু থা অসিগী ১৮ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙলগনি হায়না লাইরিক অসিগী অইবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## নুপা ১ শিরগা লৈরম্লে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী তেংনৌপলদা লৈবা অসাম রাইফলসকী পোষ্ট মনাক্তা নুপা অমা শিরগা লৈরম্লে। ঙরাং অয়ুক অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা মীয়াম্না থেংনরকখিবা অশিবা হকচাং অদু লোইতোংবম ঙৌবা (৩০), অপোকপা নবকুমার কৌই। মহাক খাইদেম মখা লৈকায়দা লৈবনি। মহাক মফম অদুদা মতৌ করম্না শিরম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা জেনিমসকী মোর্গতা পুরকখ্রে হায়রি।

## লুপা ক্রোর ৩ হেনবগী ব্রাউন সুগর ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
মোরেগী কম্যান্দো, পুলিস অমদি মোরে বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা মোরে ৱার্দ নম্বর ১ গী য়ুম অমদা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী থিবা হুম্বগী থবক চখবদা ব্রাউন সুগর পেকেট ৫৫ ফাগৎখ্রে।

ঙরাং ফাগৎখিবা ব্রাউন সুগর অদু ৭৯৬ গ্রাম লুম্মী। ফাগৎলিবা পোৎ অসি ইন্টরনেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ৩.১৪ ওইগনি হায়রি। তেংনৌপলগী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মোরে পুলিসকী এদিসনল এস পি, কে ঐচ রোবিনসন, কম্যান্দোগী ও সী ইবুঙোবি শর্ম্মা অহুম্না লুচিংবা টিম অমনা মোরে ৱার্দ নম্বর ১ দা ইলিগেল ওইবা পোৎচৈ খরা লান্থোক লানশিন তৌগনি হায়বগী পাউ ফংবদগী মোরে ৱার্দ নম্বর ১ গী য়ুম খরা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা য়ুম অমদগী ব্রাউন সুগর কেপ ৫৫ ফাগৎপা ঙমখিবনি। পোৎ অসিগা কোন্ননা ফাগৎখিবা মীওই অদু জুবেনাইল ওইবনা মোরে পুলিসকী জুবেনাইল পুলিস ওফিসর অমদা পোৎকা কোন্ননা মীওই অদু খুৎশিন্নখ্রে।

## স্কিম শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ন্না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংচম ভিলেজদা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমা শেমগৎপগা লোয়ননা শঙ্গাখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুল অদু ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবনি। ঈশিংগী খুদোংচাদবা কয়া লৈবা মফম অমনি। অসিগুম্বা অৱাবা অসি য়েংলগা লুপা লাখ ২২.৫ লোম চঙনা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অসি শাখিবনি। স্কিম অসিগী মনুংদা হায়জিনিক ষ্টোরেজ ওফ ৱাটর, সিন্তেক্স টেঙ্কনচিংবা কয়া অমসু য়াওরি। স্কিম অসিনা খুল অসিগী য়ুম ১৭ লোমদা অফবা ঈশিং সপ্লায় তৌবা ঙমগনি। স্কিম অদু ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী সেক্তর কম্যান্দর সেনা মেদল বৃগেদিয়র সুনিল সোরননা শঙ্গাদুনা খুঞ্জাশিংদা খুৎশিন্নখি। ৱাটর সপ্লায় স্কিম শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা লাংচম খুলগী ভিলেজ চীফ অমসুং খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি হায়নসু মখা তারি।

# এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা রাজ্য সাইনিক বোর্দকী ফীভম য়েংশিনখ্রে, এক্স-সার্ভিসমেনশিংগা উনদুনা ৱারী শাখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা ঙসি লম্ফেলদা লৈবা রাজ্য সাইনিক বোর্দকী কমপ্লেক্সতা চৎতুনা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগা উনদুনা ৱারী শাখ্রে।



আর্মদ ফোর্স এক্স-সার্ভিসমেন এসোসিএসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি লেফটনেন্ট কর্নেল এল মানোংবা (রিটয়র্দ) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা রাজ্য সাইনিক বোর্দতা লাকখিবা অদুদা সিনিয়র আর্মি ভেটরান লেফটনেন্ট জেনরেল এল এন সিংহ, ভি এস এমনা এক্স-সার্ভিসমেন এসোসিএসনগী মায়কৈদগী কেপ অমা খুদোল তমখি।

রাজ্য সাইনিক বোর্দ অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা বোর্দ অমনি। কেন্দ্র সাইনিক বোর্দ, মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফন্দ থাদবা ওর্গনাইজেসননি। মণিপুরদা লৈরিবা আর্মদ ফোর্স এক্স-সার্ভিসমেন অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী য়াইফ-থৌরাংগী লৈবা ওর্গনাইজেসন অমনি। ষ্টেট অসিগী ইলেক্টোরেটতা পাবদা চাদা ৬ লোম ওই। এক্স-সার্ভিসমেনশিং অসি চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা লৈরি। এক্স-সার্ভিসমেনশিং অসি য়াম্না থকশি-খাশি লৈবা সিটিজনশিংনি। অসিগুম্বা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী ওইবা য়াম্না মরুওইবা রাজ্য সাইনিক বোর্দকী ওফিসতা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী ওফিসল অমদি মিনিষ্টরনচিংবশিং হৌখিবা দিকেদ অমরোম অসিদা ইরাক লাক্তে।

ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা রাজ্য সাইনিক বোর্দকী ওফিসতা লাকপা অদুদা মফম অসিগী ফীভম শোকপা কয়া অদু য়েংখি। শেমগৎ-শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈবা কয়া অদুসু খন্নখি। ৱার ভেটরানশিংগী মেমোরিএল স্পেস অমা থম্বগী ৱাফমসু খন্ন-নৈনখি। আর্মদ ফোর্সেস ভেটরানশিংগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চয়োল খরগী মতুংদা অমুক ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা শীন্নবগী থৌরাং তৌরি। ষ্টেট লৈঙাক্না এক্স-সার্ভিসমেনশিংগীদমক মীৎয়েং চঙবীরক্কনি থাজে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লাই হরাওবদা ঙাওশিন্নবা থৌওং চখবীগনু : উকল

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
লাই হরাওবদা ঙাওশিন ফৈজিন্নবা থৌওংশিং তৌবীগনু হায়না উমং লাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) গী জেনরেল সেক্রেটরি জিলাঙম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি মালেমগী চাউখৎলবা ফীভমসিদা ঐখোয়না থাদোক্লবা য়াদ্রবা থৌদৌ অমা ওইনা পাঙথোক্লরিবা লাই হরাওবগী থৌরমশিং অসিদা কনা কনাগুম্বশিংনা ঙাওশিন ফৈজিন্নহৌদ্রবদি য়াদ্রবদৌনা তৌরিবা অসি তৌবীগনু। মশাগী লৈজরিবা লিক্লম কাঙলম ঙাক্না লাই হরাওবগী মহুৎতা ইশা ইশানা পাম্বা মওংদা তৌনিং-তৌনিংবা তৌশিন্নবগী মতম নৎত্রে হায়বসি মরী লৈনবশিংনা খঙবীয়ু। মুৎপা মাঙবা য়াদবা ফুরুপকী শক্তম শাগোন্নদুনা চৎলিবা লাই হরাওবগী খোঙচৎপু খঙফাৎতনা ৱাখলনা শাগৎলগা লাই হরাওবগী মশক শেমদোকশাদোকপা, হোংদোক-হোংজিন তৌনবা হোৎনবীগনু।

লাই হরাওবগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা তোৎশিন য়ানশিনবা কয়া য়াওরি। তোৎশিন য়ানশিনবশিং অসিমক লৌথোকপা তারবসু মীয়াম অমদি অখণ্ড-অহে তান্নরগা তৌরিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লাই হরাওবগী জগোয় তল্লিবী কনাগুম্বী খরনা মাইবীগী শরোং শীজিন্নদুনা লাই হরাওবা য়াওশিল্লকপা, লাইরোননা, জগোয়না ঈশৈনা, খুৎথেক্লা খোঙথাংনা শাথেক্লা পাঙথোক্লিবা লাই হরাওবগী থৌরম অসিগী তাঙ্ককশিংবু পাম্মী হায়দুনা লোঙ পায়দুনা লোঙখোল জগোয় শাগৎলকপা, লাই হরাওবগী লৈরিবা খুল্লং, খুনুং ঈশৈ অমদি পেনাগী ঈশৈগী শৈহেক শৈদাগী মহুৎতা নট সংস্কৃতনগী শৈহেক শৈদা ঙাক্তা তৌশিল্লকপা, মৈ চঙবা পোৎ লম য়াওবা য়াদবা নুরাবীগী চাকয়োমদা কবোক অফাবা ঙাক্তা হাপচিন্নরকপা, ময়াং-পাঙলদা ময়ুম পান্দুনা মচা লৈরবী মাইবীনা লাইবুং চঙদুনা লাইথৌ য়াওশিল্লকপা, লাইমাঙদা থাবল চোংশিন্নবা হোৎনরকপা, নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ উৎফম লাইমাঙদা ফেন্সিদ্রেস তৌশিনবা, নুমীদাং থেংলবা ফাওবা অহৌবা মাইক শীজিন্নদুনা কা হেন্না লাংবনচিংবা কয়া অমা হন্দক চহীগী লাই হরাওবা অসিদা থেংনরি।

অসিদা নত্তনা ফনবা চুম্না তৌরুবা মীওই কয়া অরানবা তাহনবা, খৎনবা হৌবীবা মশিং খঙদনা থেংনরি। লাই হরাওরিবা তোঙান তোঙানবা লৈকায়, খুল কয়াগী লাই হরাওফমশিংদা উকলগী অখন্নবা মোবাইল য়ুনিটশিং থমদুনা লাইব ওইনা কুপ্না য়েংশিল্লি। অসিদসু নত্তনা উকলগী অখন্নবা কাঙবু অমনসু লাই হরাওফম অয়াম্বদা হকথেংননা চৎতুনা অকোয়বগী ফীভম, মীয়াম্না শরুক য়াবগী মওং, লাইথৌ তৌরিবগী মওং অমদি শিনবা লাংবগী মওং মতৌশিং কুপ্না য়েংশিল্লি। লাই হরাওবদা তৌগদবা তৌরোইদবশিংগী মতাংদা উকলনা লাইবুং কয়াদা চৎতুনা মরী লৈনবশিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চহী কয়া লেপ্তুনা খন্ন-নৈনদুনা লাক্লিবনি।

লাই হরাওবদা তৌরোইদবা কয়া তৌশিন্দুনা লাই হরাওবগী খোঙচৎ থৈহনখিবা য়াবা কয়া অসি চুমথোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় লৈকায়, খুলগী চৎনবীনি, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী চৎনরক্লবনি হায়দুনা ইপা-ইপু লাইওইখ্রবশিংদা তাইশিনবা অসিনা খ্বাইদগী লুবা অমা ওইরি। মসি তৌবীগনু। হৌখিবা চহী কয়া লাই হরাওবা কাং-খোং চাইখিবদু ঐখোয় ঙসিগী মীরোল অসিগী মীৎমাঙদনি। হৌজিক ওইরিবা মালেমগী অহোংবা অসিদা ঐখোয়না ইশাগী ফুরুপকী শক্তম ঙাক্না ফুরুপচা অমা ওইনা হিংসি হায়নসু মখা তারি।

## কলচরেল ফোরমগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
কলচরেল ফোরম মণিপুরগী চহী ১ চুপ্না চখরকপা দাইমন্দ জুবিলি সেলেব্রেসন লোইশিনবগা লোয়ননা ফোরম অসিগী ৬১ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কলচরেল ফোরমগী সিনিয়র মেম্বর য়ুম্নাম য়াইমা, ডা. এস গ্যানেশ্বর অমদি থোকচোম মঙ্গীদা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। নেসনল এৱার্দী রাজকুমার সিংহজিৎ পদ্মশ্রী, ঈ ইন্দিরা পদ্মশ্রী, ডা. অধিকারিময়ুম রাধামানবী, য়ুব পুরস্কার, বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দীবু ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা তেগোর এৱার্দী রাজ কুমার সিংহজিৎনা হায়খি, লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংবু ঈকায় খুম্নগদবনি। এসোসিএসন হায়বসি লৈতবা য়াদে। কলচরেল ফোরমনা চহী অমা চুপ্না চখরকপা দাইমন্দ জুবিলিগী থৌরম অসি থাগনিংঙাই ওই। মশক নাইবা কয়া পুথোরক্লিবা অসি অরাইবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা কলচরেল ফোরমগী প্রসিদেন্ট হুইরেম বিহারীনা হায়খি, কলচরেল ফোরমনা অঙন্বা কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ফোরম অসিবু নুংশিবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা হান্নগী মিনিষ্টর আর ভি মিংথিংনা হায়খি, হান্নদি চীংমী-তম্মী পুন্না লৈরম্মী। নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরকই। চীং-তম পুল্লগা কলচরেল হার্মোনি পুরকসি। নুংশিনবগী লংলা অদুনা পুনশিনমিন্নসি। নুংশিনবনা তৌবা ঙমদবা থবক অমত্তা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কলচরেল ফোরমগী রিতু চেফোঙসু ফোঙখি। এম কামদেশনা ইবা নোবেল শম্বলসু মীতৈ ময়েক্তা পুথোক্তুনা ফোঙখি। লৈখিদ্রবা জি জয়কুমারনা ইরম্বা কলচরেল ফোরমগী শৈহৌ ঈশৈ ডা. হামোম নবচন্দ্রনা শৈবান্দুনা শৈহৌ ঈশৈ ওইনা লান্থোকখি।

## য়ুম শাবীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
মোইরাং হনুবা মমাঙ লৈরক্তগী সাকোপম ওংবী খোইরোম নিংঙোল মেমচাগী য়ুম শাবা ঙমদনা লৈরকপদগী আর কে ফোর্চুন দিভলপ্পর প্রাইভেট লিমিটেদকী এম দি, আর কে রামেশ্বরনা অনৌবা য়ুম অমা শাবীদুনা খুৎশিন্নখ্রে।

য়ুম খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা খোইরোম নিংঙোল মেমচানা ফোঙদোকখিবদা, শুগনুদা য়ুম পাল্লবা মতুংদা নুপা লৈখিদবদগী ইপামদা হল্লকখিবনি। অঙাং অহুম লৈরে। অঙাং ওইরিঙৈদা য়েৎকী খুৎ মৈনা চাকখিবদগী ফীভম চাদনা লৈরকপনি। অঙাংশিংসু লাইরিক তমহনবা ঙমদে। হাউসিং স্কিমগীদমক সী এমদা হায়জবসু লৈখ্রে। সী এমনা ইরকপা অইবা চে অদুসু চহী ২ ফাগদৌরে। ঙসি য়ুম অমা শাবীদুনা শিন্নবীবসি য়াম্না নুংঙাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

আর কে রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, মফম অসিদা নোংমা মী অমা উনবা লাকপদা মেমচাগী ফীভম চাদবা য়ুম উবদা নুংঙাইতবা ফাওখি। ফীভম অসি য়েংলগা য়ুম শাবীবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## বেনৌনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস): মোন্সাং পন্থা ভিলেজদগী এন জি বেনৌনা থা অসিগী ১৭ তা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবদা এপেক্স ট্রাইব য়ুনিয়ন, মোন্সাং ট্রাইব য়ুনিয়ন, ৱিমেন য়ুনিয়ন, ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি চীফস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মোন্সাং ট্রাইব য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এন জি বেনৌ মোন্সাং পন্থা ভিলেজগী এসিষ্টেন্ট চীফনি। শক্লাইরবা ফোক সিঙ্গর অমসুনি। মোন্সাং ট্রাইবকী কষ্টম অমসুং ট্রেদিসন য়োকখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরম্বা মীওই অমসুনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি ইমুং-মনুংগীতা নত্তনা মোন্সাং ট্রাইবকী ওইনা য়াম্না মাঙজবা অমনি। মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু মখা তারি।

## যন ৩১১ হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
ভেটিরিনরিগী জোইন্ট দিরেক্টর, বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা আই সী দি পি সব-সেন্টর অমসুং চীংফু ভেটিরিনরি দিস্পেন্সরিগী ষ্টাফশিংনা থা অসিগী ১১ দগী চখরকপা যন হিদাক কাপ্পগী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে।

য়ুথ মোদেল ক্লবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খা সঞ্জেনবম, পুখ্রম্বম, থৌনাওজম, লৌরেম্বম, ৱাহেংখুমন, ইশোক, তেরাপোকপীনচিংবা মফম কয়াদা যন হিদাক কাপথোকখি। বি ক্যু অমদি ঐচ এস লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা যন ৩১১ রোম লেম্না হিদাক কাপখি।

আই সী দি পি সব-সেন্টর সঞ্জেনবম অমসুং চীংফু ভেটিরিনরি দিস্পেন্সরিগী ডোক্তরশিং অমসুং ষ্টাফশিং য়াওনা থা অসিগী ১১ দগী হৌনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চৎতুনা যন হিদাক কাপ্পগী থবক চখরকখি। যনদা নাগনবা ভি ক্যু অমদি ঐচ এস লায়নাদগী ঙাকথোক্ল বগীদমক হিদাক কাপথোকপগী থবক চখদুনা পুন্না যন ৩১১ দা লেম্না হিদাক কাপখি। ক্লব কয়ানসু হিদাক কাপ্পগী শেম-শাবদা মতেং পাংলকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ‘পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি, শরুক য়াবীয়ু’

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম থা অসিগী ১৮ দা ইপা ৱাঙমপা অমদি ইমা ৱাঙমপী (দি এম কোলেজ ষ্টেদিয়ম মমাঙ) দা পাঙথোক্লগনি হায়না লাইনিং অমদি ইনাৎ য়োকখৎপা অপূনবা মালেম কংলৈপাক্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পাখংবা চেঙ হোংবা হায়বসি কংলৈ খুন্নাইগী শোয়ফদ্রবা থৌরম মশিলশিংগী মনুংদা অমনি। মালেম লৈশেম্লোনগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা থৌরম অমনি। নুমীৎ অসিদা ইপুথৌ পাখংবা কোঞ্চিন তুকথবনা ইমা লৈমরেন শিদবীগী পাউতাক মতুংইন্না কোরৌ নোংখোং কোইবগী মপাবুংগী ফম্পাল ফমখোং কোইজদুনা নোংখোং কোইবা ঙম্বা শকখি অমদি কালেন থাগী থানিলদা ইপুথৌ পাখংবনা মপাবুংগী মহুৎ শিন্না মালেমগী ফম্পাল তোংখি। হায়রিবা কোরৌ নুমীৎ অসিদা চীংঙু লাইয়াম পুম্বা হরাও মথোই কাদুনা ইপুথৌ পাখংবগী সনা মাঙদা হৈরাং-লৈরাং, অনৌ-অপেন, চেংবা-চেংবী হৈরদুনা ইরাৎ থৌনিজদুনা লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা, খুঞ্জাও-লৈচাওনবা, লৈবাক নিংথৌ পুন্সি নুংশাংনবা ইরাৎ থৌনি পাঙথোকই।

কংলৈ খুন্নাই অসিগী শোয়ফদ্রবা লাইগী থৌরম পরেংশিংবু খঙদ-উদনা লৈবা হায়বসি তুংগী মীরোলগী মনা পংহনবগা পাঙ্খক ওইহল্লি। খুন্নাই অসিদা খুন্দামিন্নরিবশিংনা ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম অসিদা শরুক য়ামিন্নসি।

ইপুথৌ পাখংবদা চেঙবী হৈদুনা পুন্সি চেংজেল হাপ্পীয়ু, ইমুং-মনুং ঈংনা চিক্লা পাঞ্জগে হায়না খুরুম্লবদি খুয়া তুশিৎনা পানবা ঙম্মী হায়না তাকপীরম্মী। ইপুথৌ পাখংবদা চেঙ হৈদুনা কৎচবা চেঙ অদু তাইবংগী পুন্সিদা চারবদি পুন্সি-নুংশাংবা পীনবী। মসিবু পাখংবা চেঙ হোংবা হায়না খঙনরি। ঙসিগী মীরোল অসিনা কংলাপুঙগী পুঙকোয়বু কোয়দুনা পাখংবা ফম্বাল কোয়বা হায়না থৌরম পাঙথোক্লে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কাদানা মফম কয়াদগী য়ুঙৌ ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১৫ দা শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং ককৱা বজারদা কাদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা পুন্না দ্রাইব চখবদা য়ুগী ভেন্দর তৌরম্বা মীওইশিংদগী য়ুঙৌ লিটর ২৫৮ ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দ্রাইব অদুদা মীওই মরিদগী য়ুঙৌ ফাগৎখি। ফাগৎলবা য়ুশিং মফম অদুমক্তদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখি। লমদম অসিদা য়ু থিংনবা লিকর প্রোহিবিসন এক্ট চৎনদুনা দ্রাই ষ্টেট লাউথোক্লবসু মফম খুদিংদা অথিংবা য়াওদবগুম ফোংনা য়োল্লি। মফম খুদিংদা য়ু মরাং কায়না ফংবনা য়ুদা লায়চুনবা মরম ওইহল্লি। খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংদগী হৌরগা য়ু পাক শন্না শীজিন্নরক্লি।

য়ুনা পীরক্লিবা চৈথেং অসি কোক্লবা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী কন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা য়ু য়োন্দুনা অমদি মপান্দা থাদোক্তুনা শেল তানগনি হায়বা ৱাফম পুথোরক্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা মীয়াম্বু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লহন্নবা হোৎনবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা মীয়াম হুপ্না খোঙজং চঙশিন্দুনা খুন্নাই মীয়াম কন্নবা ফিরেপ লৌবগী মতম লাক্লে। য়েংদুনা লৈরবদি খুন্নাই অসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈরোলনুংদা লুপখিবা তাবনি। লাইবক থীবদি ককৱা পুলিস ষ্টেসনগা য়াম্না নক্ননা ফোংনা য়ুগী ভেন্দর হাংদুনা য়ু য়োল্লম্বা অসিনি। পুলিস অসি মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী এজেন্সী নত্তবরা হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কারু কানফিট কুম্মৈ পাঙথোকখ্রে

তেংনৌপল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈদা লৈবাখুল মরি (য়োংখুল, সারেল সাইসিম, তেংকোনবুং অংমসুং সারেল অতৌ) না শীনবা য়োংখুল অমসুং সারেল খুল অনীনা য়ূম্বু ওইদুনা মমাঙঙৈদগী চৎনদুনা লাক্লবা মরিং কাঙলূপকী ওইবা ঙা ফাবগী কুম্মৈ ‘কারু কনফিট (য়োং সারেল ত্রেদিসনেল ফিশিং ফেষ্টিভেল) মে ১৫ অমসুং ১৬তা নুমিৎ নীনি চুপ্না তরেৎ লোক তুরেল (ঙাচন কনচম) দা পাঙথোকখ্রে।

ফেষ্টিভেলগী কনভিনর এম মরিং সৈয়াওনা ফোঙদোকখিবদা মরিংগী লোলদা কারু কানফিট হায়না খঙনবা নাটকী ওইবা ঙা ফাবগী কুম্মৈ অসি হান্নদগী মরিংগী ইপা ইপুশিংনা মমাঙঙৈদগী চৎনদুনা লাকখি। ঙসিদি নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্তুনা মাঙখিবা য়াবগী তাঙ্কক অমদা লাকপনা মরম ওইরগা কুম্মৈ অসি মাঙহন্দনা, তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবা পাঙথোকপনি। মমাঙঙৈদগী মসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসি চহী খুদিংগী পাঙথোক্লম্লবসু ঙসিদি চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ঙমদবনা চহী ১০ রোমগী মতুংদা অমুক হন্না ফেষ্টিভেল অসিগী মরমদা নিংথিনা খঙলবা অহলশিংনা লৈরিঙৈদা পাঙথোকপনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়, মীরোনবী নুপী অমদি থাগী খোঙকাপ লাক্লিবী নুপীশিং অমসুং মখোয়গী নুপাশিং য়াই থাফমদা চঙবা য়াদে। তুরেল মপালদা লৈরগা য়েংবদি য়াই হায়রদুনা য়াই য়ৈবা অসি অহিংদা য়ৈরগা অয়ূক্তা ঙা থিবা চৎনৈ। অদুগা ঙা অদু ময়াম য়েন্নে হায়খি। ফেষ্টিভেল অসিগী মপূং ওইবা থৌরমশিং ওইনা য়োঙ্খুল, সাইরেল সাইসিম, তেংকোনবুং অমসুং সারৈ অতৌগী খুঞ্জাশিংনা তরেৎ লোক তুরেলগী অনকপা উমংশিংদগী য়াই থাবদা শীজিন্নবা উরি মখল অনী অসি লৌরুদুনা পুরকখি। মদুগী তুংদা খুঞ্জাশিংনা তোইনা শুগাইবা অদুগা নুমিদাংগী মতমদা খুঞ্জাশিংনা নাটকী ওইবা ফিজোল শেৎতুনা, ঈৌ শক্তুনা য়াইশিং অদু তরেৎ তুরেলদা পুথদুনা য়াই থাবগী থবক চথৈ।

অহিং অদুমা খুল মরিগী খুঞ্জাশিংনা তুরেল মপালদা য়ারেক্তুনা লৈরবা মতুং মথংগী অঙনবা অয়ূক্তা খুঞ্জাশিং পূন্না তুরেলদা ঙা খুনবা চৎখি। খুঞ্জাশিংনা খুন্দুনা পুখৎলকপা ঙাশিং অদু থোংদুনা খুঞ্জাশিং পূন্না চামিন্নখি অমদি তুরেল মপালদা শগাই শাদুনা থম্লগা মখাদা মৈ থাদুনা য়াইথোক্তুনা লেমহৌবা ঙাশিং অদুনা খুল ৪গী খুঞ্জাশিংনা য়েন্নখি।

কারু কানফিটকী কুম্মৈ অদুদা কে এস এম মেথিয়ু মরিং এগজিক্যুটিভ মেম্বর টি এ এন্দ হিল এ দি সী চান্দেল, পিয়া মাকু চীংচাংলাকপা মুঙমিলিম, সী ঐচ মেসিল এগজিক্যুটিভ মেম্বর এ দি সী চান্দেল, কে ঐচ মোরুং মেম্বর এ দি সী চান্দেল, এম মোরুংসন মেম্বর এ দি সী চান্দেল অমসুং এম কে কোফোম কনভিনর মোরে টাউন, মেম্বর এ দি সী চান্দেলনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

## শরিৎ-শরাক্কী মহৈ ফুনা কাঙলোন তম্বীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস):
শরিৎ-শরাক্কী ওইবা মহৈ ফুনা কাঙলোন কয়া থা অসিগী ১৩ দগী ঙসি ফাওবা নুমীৎ মরিনি চুপ্না মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা তাকপী তম্বীবগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে হায়না শরিৎ-শরাক এসোসিএসন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল লাসমোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুর অমদি সলাইচা অপূনবা লূপতিন অনীনা খুৎশম্নরগা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা রোয়েল একাদেমী ওফ মণিপুর পাঙ্গৈ অমদি খুন্দ্রাকপম চীংখু হায় স্কুল, খুন্দ্রাকপমগী স্কুলশিং অসিদা মহৈ তল্লিবী নুপীমচাশিংদা খুদোংথিবা কয়াদগী ইশাবু কঞ্জনবা, ইরমদম অসিগী ইপা-ইপুশিংনা শীজিন্নরম্বা হুয়েন লাল্লোংগী মহৈশিংসু তম্বীখি।

শরিৎ-শরাক্কী ওইবা মহৈ অসিবু নীংথিনা খঙ-হৈরবা মী অমদা ফারুবা, কোল্লুবা, নকশিল্লুবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। ফারুবা, কোল্লুবা মীদু শোক্তনা তোক্লোই। অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইরিবা মহৈ অসি নুপী ওইবীশিংনা খরদং খঙহৌ হৈহৌবা মতমদা নুপা অমনা ফাবা পুনবা, ইশাগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরকপদা য়াম্না লায়না ইশা কঞ্জবা ঙমগনি। শরিৎ-শরাক্কী মহৈ অসি মপান নাইদে। আর্ট ফোর্ম তোঙান তোঙান্না মচা খাইনা লৈরি। এসোসিএসন্না তাকপী তম্বীরিবা অসিদি য়াম্না লায়না য়েংবা খক্তদা খঙহৌ হৈহৌবা য়াবা, য়াম্না লায়না য়েক্লবদগী ইশা কঞ্জনবা তাকপী তম্বীবা মহৈনি। পীক্লিবা নুপীমচাদগীনা মীয়াইচল্লবী নুপী খুদিংমক্না ইশা কঞ্জনবা তঙাইফদনা শরিৎ-শরাক্কী মহৈ ফুনা কাঙলোন অসি খঙহন-হৈহন্নিংই।

তাকপী তম্বীবগী ট্রেনিং অসিদা মৈতৈ ইনাৎ শিন্দম অপূনবা, হৈঙাংগী শিন্তাকলিবা এন ইবোহল য়াওনা ওজা কয়ানা তাকপী তম্বীখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School

**ADMISSION OPENS FOR CLASS XI (Sc.) 2019-20**

**MODE OF ADMISSION : THROUGH ENTRANCE TEST**

**APPLICATION FORM :** Prospectus along with form shall be available (for BOSEM/CBSE/Other Boards Recognised by COHSEM) from **17th May, Friday, 2019** during school office hour 10:00 a.m. to 03:00 p.m. Please bring the downloaded marksheet while collecting the prospectus & the application form. Students whose Class-X results are not declared can obtain prospectus and form by producing HSLC admit card, however submission of form can be done only after the declaration of the results.

**ELIGIBILITY CRITERIA :** Students who have passed the HSLC (BOSEM) Examination, AISSCE (CBSE) or equivalent examinations (recognised by COHSEM), 2019 are eligible. Students whose result are not yet declared can sit/appear the entrance test by submitting a handwritten application along with a photostat copy of class X admit card, 2019.

**SCHOLARSHIP**

**Cash scholarship for Position Holders (1 to 25) in HSLC, 2019.**

**For HSLC Examination, 2019 (BOSEM)**

**DIRECT ADMISSION (SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE BASIS)**

* 1st to 25th Rank in HSLC (BOSEM), 2019
* 70% and above in HSLC (BOSEM), 2019
* 75% and above in AISSE (CBSE) / any Equivalent Exams, 2019

**1st to 25th Rank Holder in HSLC (BOSEM), 2019:**

**Benefits:** Free Admission Fee for Class XI & XII * Free Tuition Fees for Class XI & XII * Free Foundation Course Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI and XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 3000 * Free Home Tuition Classes by selective COMET Teachers * Free Bus Fee (for Class XI and XII).

**85% and above but not among the top 25 in HSLC (BOSEM), 2019:**

**Benefits:** Direct and Free Admission Fee for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 2500 * Free Bus Fee (for Class XI).

**80% and above but below 85% in HSLC (BOSEM), 2019:**

**Benefits:** Direct and Free Admission Fees for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Reference Book Grant of Rs. 2000.

**1st to 3rd Position in Entrance Test, 2019:**

**Benefits:** Free Admission Fee only for Class XI

**70 % and above but below 80% in HSLC (BOSEM), 2019:**

* Admission can be done after the declaration of HSLC Examination, 2019 (BOSEM).
  **Benefits:** Direct admission without entrance test.
* Students securing below 70% in HSLC Examination, 2019 (BOSEM) have to sit for the entrance examination, however submission of form can be done after the declaration of HSLC Examination, 2019.

**For CBSE and Other Boards recognised by COHSEM (Whose results have already declared)**

**90% and above in AISSE (CBSE) / any Equivalent Exams (recognised by COHSEM), 2019:**

**Benefits:** Direct and Free Admission Fee for Class XI * Free Tuition Fees for Class XI * Free Medical/Engg. Special Coaching Classes at COMET Keishampat in class XI & XII * One-time Free School Uniform (One Set) * One-time Reference Book Grant of Rs. 2500 * Free Bus Fee (for Class XI).
(**N.B. Selection is based on the student's ability to pass the individual test, failing which they can get direct admission without benefits.**)

* **75 % and above but below 90% in AISSE (CBSE)/ any Equivalent Exams (recognised by COHSEM), 2019:**
  **Benefits:** Direct admission without entrance test starts from 17th May, 2019 to 20th May, 2019 (Limited Seat on first come first serve basis).
* Students securing below 75% (in CBSE & Other Boards) have to sit for the entrance examination.

**Date and timing of the entrance examination will be published in the daily local newspaper** viz. Sangai (English, Manipuri); Poknapham, Naharolgi Thoudang

*For latest updates and more information please log in to our school website* **www.cometschool.in**

Sunday Opens (19th May, 2019)

Sd/-
Principal,
COMET SCHOOL

H/L-B/5393/18,19